# ২০২১গী বেষ্ট এক্ট্রেস ফংলবী শক্লাইরবী এক্ট্রেস ফ্রান্সেস মেকদোর্মেন্দ

- নানি



মালেমসিদা অহানবা লান্দা অমা ওইনা হৌখিবা চহী ২০২০ অসিদা মীপুম খূদিংমক অকি-তুজুং পোকহনখিবতা নত্তনা মমল য়াম্লবা থৱায় কয়া লৌখ্রবা মতুংদা অনৌবা সায়োন অমগা লোয়ননা অনীশুবা লান্দা অমা ওইনা কোরোনানা কন্না চথরক্লি। অনীশুবা লাঞ্জং অসিদদি হান্নদগী হেন্না মালেম অসি লোইশিল্লগে মতাগুম লাল্লোং হোংদুনা চঙশিল্লক্লিঙৈ চৈরক অসিদা হন্দক্তা একাদেমী এৱার্দ লাউথোকপা অমদি য়েন্থোকপদা মমিং লৈরবা মশাগী চহী ৬৪ শুরবী অমেরিকান এক্ট্রেস ফ্রান্সেস মেকদোর্মেন্দনা বেষ্ট এক্ট্রেসকী এৱার্দ ফংবা ঙমখ্রে।

মেকদোর্মেন্দ কুমজা ১৯৫৭গী জুন ২৩দা সিন্থিয়া এন স্মিথ হায়না মমিং কৌদুনা গিবসন সিটি, ইল্লিনোইদা পোকখি। মহাক মশাগী চহী অমা মখায় শুরকপা মতমদা মচা লৈজদবা কনাদা ওরিজিনেল ওইবা নোরীন (নিকেলসন) অমদি ভের্নন মেকদোর্মেন্দনা মচা ওইনা অদোপ্ট তৌখি। অদুদগী মহাক্কী মমিং অসি ফ্রান্সেস লোইস মেক দোর্মেন্দ হায়না থোন্দুনা চিকাগোদা লৈরকখি। মহাক্কী মপা অমদি মমা থোইদোক্লা আর্টকী লম্বী অসিগা মরী লৈনবা মীশক অমদি নৎখিদে। মমাদি নর্সনি অদুগা মপানা খৃষ্টিয়ন লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবা পাষ্টর অমনি। অদুবু পোকপদগী হৌনা দোর্মেন্দদি আর্টকী লম্বী অসিদা মথ্বায়না পামজরকখি। কুমজা ১৯৭৯দা বেথানি কোলেজ, ৱেষ্ট ভর্জিনিয়াদা বি এ তম্বা লোইরবা য়েল দ্রামা স্কুলদগী ঠিএটর তম্লকখি। স্কুলগী থাক্তা পাঙথোকপা পর্ফোর্মেন্স অমদা লেদি মেকবেথ শাবদা থোইদোক্লা মীয়াম্না অঙকপা পোক্লখি। তশেংনমক মহাক্কী ঠিএটরদগী হায়বদি ষ্টেজ প্লেদগী মীয়াম্না মশক খঙবা হৌরকখিবনি। অদুগা লোয়ননা এক্টিংগী লমদসু য়াম্না মমুৎ তানা তম্লকখিবা মীশক অমা ওইখিবনি। মদুগী মতুংদগীদি মহাক ফিল্মগী লাইনদা খোঙ থাংজিনবা হৌরকখিবনি। ইহান হানবা ওইনা জোঅল এন্দ ইথান কোএনস হায়না খঙনরিবা মচিন-মনাও অনীগী ফিল্ম ***ব্লদ সিম্পল*** হায়বা অমদা কুম্বা হৌরকখি। ফিল্ম অদু কোএন ব্রদর্সগী জোঅল কোএন হায়বা অসিনা দিরেক্টর ওইখিবনি। মেক দোর্মেন্দগী পুন্সিদা কোএন ব্রদর্স হায়বসি য়াম্না মরুওই। মমৈদদি জোঅল কোএনদা মহাক লুহোংদুনা য়ুম্বানমিন্নখি। মেকদোর্মেন্দ ইহান হানবা ওইনা ***মিসিসিপ্পি বর্নিং (১৯৮৮)*** তা বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেসগীদমক একাদেমী এৱার্দ নোমিনেসন ফংবা ঙমখি। অদুবু এৱার্দ ওইনা ওন্থোকপদি ঙমখিদে। ১৯৯৬ তদি মহাক্না মঙখিবা মঙ অদু **ফার্গো** হায়বা ফিল্ম অদুদা ওস্কার বেষ্ট এক্ট্রেস ফংবা হৌখি। কুমজা ২০১৭তা অনীশুবা ওইনা মহাক্কী মমিং লৈরবা ফিল্ম *থ্রী বিলবোর্দস আউটসাইদ ইব্বিং মিসোরি*দা ওস্কার বেষ্ট এক্ট্রেস অমুক হন্না ফংখি। বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেসগীদমক অতোপ্পা ফিল্ম **অলমোষ্ট ফেমস** হায়বা অদুদসু নোমিনেসন চঙখি। কুমজা ২০০০দা ৱন্দর বোয়স হায়বা ফিল্ম অমদা তোঙান তোঙানবা এৱার্দ কয়া অমসু ফংবা ঙমখি। **নোর্থ কন্ট্রি** (২০০৫) হায়বা ফিল্ম অমদসু মহাক বেষ্ট সপোর্টিং একাদেমী এৱার্দকী নোমিনী ওইনা চঙখি। কুমজা ২০০৬তা পুথোকখিবা **ফ্রেন্দস এন্দ মনি** হায়বা ফিল্ম অমনা সন্দেন্স ফেষ্টিভেলগী ওপনিং ফিল্ম ওইখি। কুমজা ২০১৮তা **বর্ন অফ্টর রিদিং** হায়বা ফিল্ম অমদসু মহাক্কী অখন্নবা রোলগীদমক মহাকপু ফিল্মগী খঙ-হৈরবশিংনা য়াম্না শীংথাবীখি। চহী অসিমক্তদা পুথোকপা এমি অদামগা কুম্মিন্নবা **মিস পেট্টিগ্রু লাইভস ফোর এ দে** হায়বা রোমান্টিক কোমেদি অমনসু মহাক্কী মতিক ময়াই অসি য়াম্না হেনগৎহনখি। হন্দক মেকদোর্মেন্দনা ফংলিবা ওস্কার বেষ্ট এক্ট্রেসকী এৱার্দ অসি নুপী দিরেক্টর, ক্লোই ঝাওনা পুথোকপা অমদি মশামকসু য়াওনা সপোর্টিং এক্ট্রেস ওইনা কুম্বা লোয়ননা ওস্কার এৱার্দসু ফংবা ঙমখিবা **নোমেদলেন্দ (২০২০)** হায়বা ফিল্ম অসিদা একাদেমী এৱার্দ, বৃটিশ একাদেমী ফিল্ম এৱার্দকী লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা অনী ফংখি। অদুগা স্ক্রিন এক্টরস গিল্ড এৱার্দ অমদি গোলদন গ্লোব এৱার্দকী নোমিনেসনসু চঙখি। এক্ট্রেস অসি টি ভি সেরিএল কয়াদসু য়াম্না মায় পাক্না কুম্লকখিবনি। মমিং খরদং পল্লবদা- হিল ষ্ট্রীট ব্লুজ, কোমিক হোরর সেরিএল ফিল্ম- ক্রাইমৱেভ হায়বা অসিনসু মহাকপু মীয়াম্না য়াম্না শক্লা শোন্নহনখিবনি।



মেকদোর্মেন্দগী পুন্সিদা খ্বাইদগী মরুওইরিবসি মহাক্কী মপুরোইবা জোঅল কোএন অসিনি। জোঅল কোএনসু ফিল্ম দিরেক্টরনি। মখোয় অনী **ব্লদ সিম্পল** হায়বা ফিল্ম অদুদা পুনবা হৌখিবদুনা কোন্নথংদা য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদামিন্নরকখি। অদুবু মখোয়না হেক পোকচবা মচাদি লৈতে। পেদ্রো কৌবা পরাগুএদগী নুপামচা অমা এদোপ্টেদ সন ওইনা লৈরি। মেকদোর্মেন্দ মমিং লৈরবা ফিল্ম কয়াদা মরুওইবা লিদিং রোল কয়া কুমদুনা মহাক্কী ফিল্মগী করিয়রশিং মথং মথং শেম্বা হৌরকখি। এ ৱেক এন্দ সিং (১৯৮৪), এ ষ্ট্রীটকার নেমদ দিজাইয়র (১৯৮৮), দি কন্ট্রি গার্ল (১৯৮৮), মিসিসিপ্পি বর্নিং (১৯৮৮), দার্কমেন (১৯৯০), দি বুটচরস ৱাইফ (১৯৯১), ক্রেজি ইন লভ (১৯৯২), দি গুদ ওল্ড বোয়স (১৯৯৫), বিয়োন্দ রেঙ্গুন (১৯৯৫), ফার্গো (১৯৯৬), দি মেন হু ৱাসনোট দিয়র (২০০১) সমথিংস গোট্টা গিভ (২০০৩), অয়োন ফ্লক্স (২০০৫), নোর্থ কন্ট্রি (২০০৫), ফ্রেন্দস ৱিথ মনি (২০০৬), বর্ন অফ্টর রিদিং (২০০৮), ট্রান্সফোর্মরস: দার্ক ওফ দি মূন (২০১১), মিস পেট্টিগ্রু লাইভস ফোর এ দে, মূনরাইজ কিংদম (২০১২), প্রোমিস লেন্দ (২০১২), মদাগাস্কর ৩: য়ুরোপস মোষ্ট ৱান্টেদ (২০১২), ওলিভ কিট্টেরিদজ (২০১৪), নোমেদলেন্দ (২০২০) হায়রিবা ফিল্মশিং অসিনি। ফিল্ম মশীং পংয়াম য়াম্না কুমদ্রবসু মহাক্কী ফিল্ম অমমমগী মতিক ময়াইদি হায়বগী লোইবা নাইরোই। ফিল্ম ক্রিটিক্সশিং অমদি ফিল্মগী মরমদা নৈনবশিংনা মহাক্না লৌরিবা রোল অমদি এক্টিং দিজাইন কয়াশিং অদুগীদমক অঙকপা ফংবা থাগৎনৈ। মহাক্কী ফিল্ম খূদিংমক্তা মহাক্কী মশকশিং অসি হোংই হায়না হায়নবা লৈ। ফিল্মগী কেরেক্টর অমত্তদা মহাক্কী মশাগী ওরিজিনেল মশক অদু উবা ফংদে, কেরেক্টর অদুদা করম্না মেক-অপ তৌরগা অমদি এক্টিং দিজাইন শেম্লগা কেরেক্টর অদুমক ওইবা ঙমগদগে হায়বা অসি মহাক্কী মতম চুপ্পদা খঙবা অমনি। ফিল্ম মশীং অদুক য়াম্না কুম্বা ওইদ্রবসু মহাক্কী ফিল্মগীদমক পুন্না এৱার্দ ৬৭ ফংবা ঙমখ্রে। মসিগী মনুংদা ময়াম্না অমা তান্নবদা য়ারবা ওস্কার এৱার্দ মরি, গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ অনী, বি এ এফ টি এ এৱার্দ অহুম, ইম্মি এৱার্দ অনী, টোনি এৱার্দ অমা য়াওরি।



মেকদোর্মেন্দ এক্ট্রেস অমা ওইবতা নত্তনা মপুরোইবা জোঅলগা লোয়ননা কো-প্রদ্যুসরসু ওইরিবনি। মহাক্কী পুন্সি অসি য়ৌনা ইনখৎলকপদা মহাক্কী মপুরোইবগী চাউরবা থৌদাং লৈরি। মরমদি মহাক্না ফিল্মদা হেক খোঙদারকপা ১৯৮২দগী হৌনা মহাক্কী ফিল্মগী থবক খূদিংমকশিং অসি মহাক্কী মপুরোইবগা পুন্না তৌমিন্নদুনা লৈখিবনি। য়াম্না নুংঙাইরিবা অমনা হন্দক্কী ওস্কার এৱার্দ অসিদা মেকদোর্মেন্দনা বেষ্ট এক্ট্রেস ফংলিবা ফিল্ম অসিদা পুন্না ওস্কার এৱার্দ অহুম ফংলি। অমনা ফিল্ম অসিগী দিরেক্টরসু ওইরিবী ক্লোই ঝাও হায়রিবী অসিনা কুমশি চহী অসিগী ওইনসু বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেসকী এৱার্দ ফংখি। লোয়ননা মখোয়না কুম্মিন্নরিবা ফিল্ম **নোমেদলেন্দ** হায়রিবা অসিনসু কুমশি চহী অসিগী খ্বাইদগী ফজবা বেষ্ট পিকচরগী ওস্কার এৱার্দসু ফংবা ঙমখি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমেরোং, ইম্ফাল।

তাং ২১।১১।২০২১ ইং, নোংমাইজিং;
হিয়াঙ্গৈগী ১৭নি পানবা।

মেষ: নচাক নরল ফংগনি, মীয়ামগী মতেং ফংগনি, লৈতেংগী পোৎলম ফংবৈ নুংঙাইগনি অমদি ইমুং-মনুং নুংশিনবা হেনগনি। মৈনদি তাথি, চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাংবা।

বৃষ: অফবা লৈফম ফংবা অমদি মরি মতা নত্রগা নক্লবনা চানবীবা নুমিৎনি। থৌনা হন্দবনা কান্নবা হেন্না ফংজগনি অদুবু মরুপ খনবা হৈত্রদি পামদবা নংবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙসিসু লাইবক লৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

মিথুন: চিন কন্দবা, হোয়া ফদবা অমদি খাঙবা কনবনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। পাংমিন্নবগী কান্নবা ফংগনি অমদি য়াকা য়েংনা চৎলু। মাঙগদবগী শরুক য়েথোকপা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক/অশংবা।

কর্কট: হকচাং খিংবা, মীচং হেনগৎপা অমদি শেন্দোং য়াম্বা নুমিৎনি। পাউ নুংঙাইবা তাগনি, লম চৎপা কান্নগনি অমদি অঙম্বনা চানবীগনি। ঈরাংদি পুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

সিংহ: পোরম য়াৎপা হৈবনা মায় পাকচবা, মরুপ-মপাংগী মতেং পান্নদি লৌবা য়াবা অমদি থৌনা লৈবা হেনগৎকদবা নুমিৎনি। নাইতোমদি ৱারেপ লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- অনম তানগনু-কান্নগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

কন্যা: চিন শোয়রগা শেল চৎপা, য়েৎনবা নত্রগা লাংতক্লবনা মাঙজবা অমদি অশাওবনা তাথিবা নুমিৎনি। য়ারগদি মরুপ-মপাং লোয়নৌ অমদি য়ুমগী ৱা তাউ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক/অশংবা।

তুলা: পংথরদি য়েক্লবনা খুদোংচাবা লৌখিনি অমদি থিজিনবা কন্দ্রদি মরুপ মপাংগা মরি ফরোই। অচুম্বা ঙাক্তনা থৌ পাঙলোই, তাঞ্জা মেঞ্জা খঙনা চৎপা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হোয়া ফগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/ফৌ।

বৃশ্চিক: নিংবদি ঙসিসু থুংগনি, ওইজ-ওইথক চাওনা ফংজগনি অমদি লাই-গুরুনা চানবীগনি। কোক শাবা খরদি লৈ, তপথৌ। মীয়ামগী মতেংনা নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

ধনু: লম খুদিংদা হান্নগুম মায় পাক্কনি। নচা-ননাই চাওখৎকনি, শেল-থুম ফংবা য়াই অমদি মীংচৎ অফবা ফংজবা নুমিৎনি। অফবা থবক্তা খুৎচাও থাবা য়ারনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

মকর: মতম মাঙবা, য়েৎপা, লৌশিং ফুদোকপা ৱাবা লৈরসু নথক থোংবনা থাগৎপিবা অমদি অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইজবদি লৈগনি। নরলদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম হৌহনখো।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং।

কুম্ভ: মরুপ-মপাংগা ৱাখল তান্নবা ৱাৎলসু কান্নবদি ফংগনি। অঙম্বনা চানবীগনি অমদি মীয়ামনা য়াগনি। চেকশিন্না থমজবা লন মাঙখিদনবা অখঙ অহৈ শাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

মিন: মায় পাকচগদবা, ওইজবা ফংগদবা অমদি মী ঙায়দনা অনিংবা অফবা পাঙবদা মহৈ য়ানগদবা নুমিৎনি। য়েক্লবনা শক-চু থোকহন্দনবা শিল্লক্কনি, নোল্লুকউ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা তৌবী।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




ববলু : চাইনাদা পোৎশক খুদিংমক দুপ্লিকেট শাই হায়বদু লাল্লি।
বন্তা : মতৌ করম্না লাল্লিবনো?
ববলু : হন্দক শারক্লিবা কোরোনা ভাইরস অসি য়েংদনা ওরিজিনেলদগী হেনখ্রে, য়াম কুইনা চৎলে।

নাওতোন : বাবা ঐগী দি জে অমা লৈবিয়ু।
মপা : দি জে লৈরুরবদি মীগা অমত্তা তুম্বা য়াররোই নঙনা মদু খোঙবদা।
নাওতোন : ঐ মী তুম্বা য়াদনবা থবক্কা অমত্তা তৌরোই, দি জে খোংলবসু মীনা তুমখ্রবা মতুংদা খোংগে...!!!

দুকান মপু : করি লৈদোইনো হায়বিয়ু।
তোম্বা : ঐগী নুপীনা লোয়বা হুইনা চানবা কেক পাম্বনি।
দুকান মপু : শিদা চাদোইরা নৎত্রগা পেকিং তৌরগা পীয়ুরা ...!!

য়ূ থকপা মরুপ অনী গাড়ি থৌদুনা চৎলম্মী।
মতম অদুদা মরুপ অমনা লাউরকই - ভাই-ভাই মাংদা গাড়ি ময়াম অমা লৈরে হায়না-হায়না গাড়ি অদু থৌজিল্লম্মী।
নোংঙাল্লগা হোস্পিটালদা ভাই করিগীনো নঙনা গাড়ি লৈ-লৈ হায়না গাড়ি থৌজিল্লিদুবু করিগীনো?
অনীশুবা মরুপ : য়াইয়ে নঙসু ইবুংঙো নঙসু গাড়িনা নঙনা থৌরগা...!!!

বেঙ্ককী কাউন্টরদা ফন্নিবা কেশিয়র নুপা অদুনা হায়, শেল লৈত্রে।
কষ্টমর : শেল য়াম্না-য়াম্না পীখোদনা নিরভ মোদি অমদি মালয়াদা। হৌজিক্তি নুংঙাইরমনিনে শেলদো লোইনা পুখ্রবনিনা...!!
কেশিয়র : কাউন্টর অদুদগী লাউরকই, বেঙ্কদদি শেল লৈরি। ঐনা হায়বদি নঙগী একাউন্টদা শেল অমত্তা য়াওদ্রে হায়বনি....!!!

ফেসবুক : ঐ পূম্নমকপু মশক খঙই।
গোগল : ঐগী নাক্তা পোৎশক খুদিংগী দিটেলস লৈ।
ইন্টরনেট : ঐ য়াওদনা নখোয় করিমত্তা তৌবা ঙম্লোই।
চার্জর : তুমিন্না লৈয়ু ...!!

সাইকল থৌবা নুপা অমনা অহল অমদা মাগী সাইকল অদুনা শোয়দনা থোম্মী। অদুদা সাইকল থৌরিবা নুপা অদুনা হায়, অহল নঙ ঙসি লাইবক য়াম্না ফরবনি।
অহল : সাইকলনসু থোম্বা অদুগা নঙনা ঐবু লাইবক য়াম্না ফৈ হায়রিবদু করিগীনো?
সাইকল থৌবা নুপা : ঙসি ঐগী ছুটিনি নৎত্রবদি ঐসে টাটা ট্রক থৌবা মীনি ...!!!

☞ পীরিবা ৱাট্‌সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title : Scenery
By : Airish Thangjam
Class : VI Sec : A Roll : 57
School : Don Bosco High School, Langjing



Title : Sunset
By : Akoijam Yoihenba Angomcha
Class : Nursery
School : Kids Activity Center



Title : House
By : Jhansi Sagolsem
Roll : 15
School : SI Arena of Learning



Title : Scenery
By : Korounganba Chongtham
Class : III Sec : A
School : Comprehensive School, Oinam



Title : Scenery
By : Tourangbam Victoria
Class : IV Roll : 3
School : Royal Academy



Title : Druga
By : Laishram Jilesh
Class : V Roll : 15
School : Heirok Higher Secondary School



Title : House
By : Lanthoibi Chongtham
Class : KG
School : The Comprehensive School, Oinam



Title : Hut and Scenery
By : Manikumar Yumnam
Class : KG Sec : B
School : Special Regular School, Nambol



Title : A Girl with a Face Mask
By : Ningthoujam Lanchenbi
Class : IV Roll : 3
School : Modern Hr. Sec. School, Bishnupur



Title : Flowers in my Garden
By : Supriya Potshangbam
Class : II E
School : Mitra Academy, Bengaluru



Title : A Lovely Birthday Party
By : Savella Koijam
Class : III Roll : 21
School : Career English Academy



Title : Birthday Gift
By : Rajkumar Surjakanta
Class : IV
School : New Horizon Academy



Title : A Rose Garden
By : T. Angela
Class : II Roll : 3
School : Royel Academy



Title : A Girl Thinking Something
By : Takhellambam Damini
Class : KG Sec: Lotus Roll : 4
School : SL Arena of Learning



Title : Izuku
By : Tomthinganbai Yendrembam
Class : IV
School : Lee Faith School



Title : Horse
By : Yohenba Kh.
Sec : KG Sec : Lotus Roll : 35
School : SL Arena of Learning

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।